বিরমঙ্গোল মেমোরিএল ট্রোফি

ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ, ট্রাও ক্বাকৈথেল অমসুং এ কে এস দি ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ২রক শুবা এম এন সী এ মেন্স অন্দর-২৩ হাওবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ পেলেস কম্পাউন্দনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব, ট্রাও ক্বাকৈথেলনা পি টি আর সী পাৎসোই পার্ট-৪ অদুগা এ কে এস দি ও খাঙবোক্লা থাও থাংমৈবন্দ মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা ঈ এস য়ু অমসুং চেম্পকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ঈ এস য়ুনা রন ৩৪দা চেম্প ক্রিকেট ক্লব মায়থীবা পীরমখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ঈ এস য়ুনা ওভর ৩৯.৫ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৪২ লৌবা ঙমখি। অদুগা চেম্প ক্রিকেট ক্লবনা ওভর ২৮ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১০৮ খক্তমক লৌবা ঙমখিবনি।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা ট্রাও অমসুং পি টি আর সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ট্রাওনা ওভর ৩৪.২ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৪৬ লৌবা ঙমখি। অদুগা পি টি আর সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩৭ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৪৪ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ট্রাওনা শুপ্নতগী রন ২দা মায় পাকখিবনি।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা এ কে এস দি ও অমসুং থাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হান্না বেটিং তৌখিবা এ কে এস দি ওনা অপীবা ওভর ৪০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা পূন্না রন ২৩৭ লৌবা ঙমখি। অদুগা থাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৪.৩ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৭২ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এ কে এস দি ওনা রন ১৬৫দা মায় পাকখিবনি।

নেশনল রোল্লর স্কেটিং চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী): নুমিৎ মঙানি চথরকপা নুপা অমসুং নুপীগী নেশনল রোল্লর স্কেটিং চম্পিয়ন্সিপ পঞ্জাবগী লুধিয়ানাদা লৈবা লেসর ভেল্লি স্কেটিং রিংদা মায় পাক্না লোয়শিনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা অন্ধ্র প্রদেশনা মেদল ১৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি হায়না স্পেসল ওলিম্পিক্স ভারতকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। স্পেসল ওলিম্পিক্স ৱর্ল্ড সম্মর গেমস ২০২৭কী শেম শাবগী শরুক অমা ওইনা চথখিবা টুর্নামেন্ট অদু এথলিটশিং অমসুং ইন্টিলেকচুএল দিসএবিলিশিংদা অৱাংবা থাক্কী খুদোংচাবশিং পীদুনা এৱ্রেরনেস পাকথোক চাওথোকহন্নবগী পান্দমদা চথখিবা টুর্নামেন্টনি হায়খি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ষ্টেট ২০দগী শান্নরোয় ১১০না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা নুপা শান্নরোয় ৬৩ অমসুং নুপী শান্নরোয় ৪৭ শরুক য়াখি। ৩০ মিটর ষ্ট্রেট, ৩০ মিটর স্লেলোম, ১০০ মিটর, ৩০০ মিটর, ৫০০ মিটর, ১০০০ মিটর য়াওনা স্পোর্টিং দিসিপ্লিন ৮দা শান্নরোয়শিংনা চাংদম্নখিবা অদুদা কোচ ৬০সু শরুক য়াখি হায়রি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা অন্ধ্র প্রদেশকী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা সনাগী মেদল ৬, লুপাগী মেদল ৫ অমসুং শেঞ্জেংগী মেদল ৭ লৌদুনা পুন্না মেদল ১৮ ফংদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মকোক্তা লৈখি।

গোৱানা সনাগী মেদল ৪, লুপাগী মেদল ৪ অমসুং শেঞ্জেংগী দেল ৭ লৌদুনা পুন্না মেদল ১৫ লৌখি। হরয়ানা চেম্পিয়নশিপ অসিদা সনাগী মেদল ৭, লুপাগী মেদল ৫ অমসুং শেঞ্জেংগী মেদল ৩ লৌদুনা পুন্না মেদল ১৫ লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা গুজরাটনা পুন্না মেদল ১৪, পঞ্জাবনা মেদল ১৩, চান্দিগরনা মেদল ১১, দেল্লিনা মেদল ১১, হিমাচালনা মেদল ১১, মহারাষ্ট্রনা মেদল ১১ অমসুং কেরালানা মেদল ৮ লৌবা ঙমখি। স্পেসল ওলিম্পিক ভারতকী প্রসিদেন্ট মালিকা নাদানা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখিবা অদুদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদু মপুং ফানা লোইশিনখি।

ৱিমেন্স য়ু-২৩ ৱান দে ট্রোফি

থাওনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী অদুগা ফোর্সনা পি সী সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর ২৩ ৱান দে ট্রোফিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা থাও থাংমৈবন্দনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্লুং অদুগা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা পি সী সী ময়াইকোইবী মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা থাও অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস থাওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। থাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবী রোবেনী উশমনা বোল ৮৮ মায়োক্লবদা রন ৬৮ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৩৩ লৌবা ঙমখি।

ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৬০ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু থাওনা লাকচনা রন ১৭৩দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা ফোর্স অমসুং পি সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন ওক্রম য়াসিকানা বোল ৩০ মায়োক্লবদা রন ১২ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ১৭.৫ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৬৭ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

ফোর্সনা টার্গেট রন ৬৮ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবী মেহনাজ অমসুং বর্কাটুন খানমনা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখি। মেহনাজনা বোল ২২দা রন ১২ অদুগা বর্কাটুননা বোল ১৬তা রন ৩৩ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৬.৫ লোইবদা ৱিকেট অমখক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ৭০ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ফোর্সনা ৱিকেট ৯দা মায় পাকখিবনি।

[illegible]

ওষ্ট্রিয়ান এম্বেসিনা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা ফুটবোল্লরশিংবু তরাম্না ওকখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী): ওষ্ট্রিয়াগী মুন্দনদা ট্রেনিং কেম্প শরুক য়ারুরবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ৮না মরমদমদা হল্লকপদা ন্যু দেল্লিদা লৈবা ওষ্ট্রিয়া এম্বেসিনা শান্নরোয়শিংবু হরাও তয়াম্না ওকখ্রে।

ইন্দিয়ান টাইগর্স এন্দ টাইগ্রেসকী মখাদা মুন্দনদা ট্রেনিং কেম্প শরুক য়ারুরবা নুপামচা ১৬ অমসুং নুপীমচা ১২ অদু ওষ্ট্রিয়ান এম্বেসিনা হরাও তরাম্না ওকখিবনি। শান্নরোয় লিশিং ৫০ রোম্না ট্রেনিং কেম্প অসিগীদমক ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী অইবা চেরোল পীশিল্লকখিবগী মনুংদা চহী ১২ অমসুং ১৭কী মরক্তা লৈবা শান্নরোয় ২৮ খনগৎতুনা ট্রেনিং কেম্প অসিদা শরুক য়াখিবনি।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টি ভি-৯গী হ্বাট ইন্দিয়া থিংকস টুদে সম্মিট ২০২৫গী থৌরম অমদা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসিদা পুক্নিং থৌগৎপগী ৱাফম মমাঙ থাগী ২৮দা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

মুন্দনদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং কেম্প অদু ওষ্ট্রিয়ান স্পোর্টস ভিজিনরি জরহার্স রিদল অমসুং ইন্দিয়ান ফুটবোল সেন্টর ফোর টেক্নিকেল এক্সিলেন্স ইন স্পোর্টস এন্দ এদুকেসনন হোৎনদুনা চথখিবনি। শান্নরোয়শিংবু ওকপগী থৌরম অদুদা ওষ্ট্রিয়াগী এম্বেসেদর ঐচ ই কেথরিনানা ওষ্ট্রিয়াদগী হল্লক্লিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পুক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিং অসিদা ফুটবোল মশান্নগী মতাংদা অনৌবা হৈশিংবশিং অমদি থাজবশিং পুদুনা ইন্দিয়াদা লাক্লে। ওষ্ট্রিয়ানা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগীদমক লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিগীদমক চাওথোকচৈ হায়নসু কেথরিনানা পনখি।

Ministry of Ayush
Government of India

ফোরেন য়ুনিভর্সিটিশিংদা অয়ুর্ভেদা অমসুং উনানি চ্যের্স থম্বা

মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুশ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মপান লৈবাক্কী য়ুনিভর্সিটিশিংদা **অয়ুর্ভেদা** অমসুং **উনানি** সিষ্টমগী মেদিসিন চ্যের্সশিং শেমগৎনবা প্রপোজ তৌখ্রে।

২. ইলিজিবল ওইবা ইন্দিয়ন কেন্দিদেটশিংদগী অয়ুর্ভেদা অমসুং উনানি চ্যেরগীদমক এপ্লিকেশনশিং অপীবা ফোর্মেটকী মতুংইন্না চহী ১গী কন্ট্রেক্ট বেসিসতা ইনভাইট তৌরি। এপ্লিকেশন অমনা চ্যের খূদিংমক্কী ওইবা য়াগনি। খল্লবা মতিক চাবা মীওই অদুনা একাদেমিক য়র ২০২৫-২৬কী ওইনা মরী লৈনবা চ্যেরগী থবক তৌগনি।

৩. এপ্লিকেশন ফোর্মেট, অমসুং চ্যেরগী অকুপ্পা মরোলশিং, অয়ুশ চ্যেরগী পান্দম অমসুং কান্নবশিং, ওইরক্কনি হায়না থাজবশিং, ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া অসিনচিংবা খূদিংমক মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইট http://ayush.gov.in/ তগী ফংগনি।

৪. চ্যেরশিংগী মপূং ফারবা এপ্লিকেশনশিং অদু এস ঐচ. জাইনুল অবাদিন, অন্দর সেক্রেটরি, মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুশ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা এবর্টাইজ অসিনা থোকখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা য়ৌহল্লক্কদবনি। **এদ্রেস:** রুম নং. ১১১, অয়ুশ ভৱন, বি- ব্লোক, জি পি ও কমপ্লেক্স, আই এন এ, ন্যু দেল্লী-১১০০২৩ (ইন্দিয়া)।

৫. ইলিজিবল ওইবা কেন্দিদেটশিং খক্তমক ইন্টর্ভিয়ুগী কৌরক্কনি। সেকেন্দ ক্লাস এ সীগী অচঙবা শেনফম অমুক হন্দোরক্কনি।

CBC 17201/11/0001/2526

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, MANIPUR

Ref: Mut. Case No. 303/AS&SO-X Dt. 7/4/2025

Khundom Lilabati Devi D/o Phijam Gulamjat Singh of Khabam Lamkhai. - Petitioner

-Vs-

Late Phijam Gulamjat Singh S/o Achou Singh of Luwangsangbam. -Opp

[illegible] / NOTICE

Imphal, 8/4/2025

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১-লুৱাংশংবম পাট্টা নম্বর ২২৩ অরিবা ১৭৪/৪৮৬ অনৌবা, দাগ নং ১৮০, এরিয়া .৬৫ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার নং. ফিজম গুলামজাৎ সিংহ পীং অচৌ সিংহ সাং লুৱাংশংবম মৃ: ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৬/৪/২০২৫ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X,
Manipur

HL-P/1591/9

[illegible]/ খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরবা মতুংদসু অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান্দসু পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা, শা-ঙা, মোরোক চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরবা মতুংদসু অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, খোঙ হাম্বা অমদি খোঙ হাম্বা লোইরবা মতুংদা চিকপা-নাবা তৌরক্কনি খনবদা, শা-ঙা থাউ মোরোক চাবা য়াদবা, চাবা তারগদি অমাংথোঙদা চিকপা হেনবা অমদি খোঙ হাম্বা লোইরগা মতুংদা শাগৎলগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান্দসু খূৎনাওবীমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগসু হাক্কৎচরকপা, হাক্কৎচবা অদু অমুক ফখিবা, অমুকসু হৌরকপা, অসুম্না তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না অকনবতা ওইনা হাম্বা, অমাংথোঙদা তঙ্খায় অমসু পোমথোরকপা, নিংজোল মরিনসু নাবা, পৃক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, চাবা-থকপসু য়াদবা, চানিং-থক্নিংবসু পোক্তবা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, খ্বাঙ য়াম্না নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/9447/9 *থাগৎচরিবা :* **Ch. Ramananda Meitei,** Nambol

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case 117/SDC/BPR-2025

1. Ningthoujam Doren Singh S/o (L) Khongnem Singh of Bishnupur Ward No. 11 - Petitioner

-Vrs-

Late Pattadar : Ningthoujam Khongnem Singh S/o (L) Kamdevo Singh of Bishnupur Awang. - Opposite Party

[illegible] / NOTICE

Bishnupur, the 08th April, 2025

Under Section 43(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৭-বিষ্ণুপুর অৱাংদা লৈবা পাট্টা নং ৩ (অরিবা) ৩৬৫/১৭৪২ (অনৌবা) C.S. Dag No. ১২২৩/৪৭৮৬গী ০.০৪ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Ningthoujam Khongnem Singh S/o (L) Kamdevo Singh of Bishnupur Awang অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পঞ্জরিবা Petitioner গী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা/কনাগুম্বী মীওইশিংনা অপতি/য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি/য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Bishnupur

HL-P/1597/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No. 139/SDC/M dt. 8/4/2025

1. Leishemba Kumam S/o Late Tuleshwor Singh of Moirang Kumam Leikai.
2. Panphalenpi Kumam D/o Late Tuleshwor Kumam of -do-

-Vs-

Late Kumam Tuleshwor Singh S/o Late Ingocha Singh of Moirang Kumam Leikai.

[illegible] / NOTICE

Moirang, the 8th April, 2025

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫২-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ১৬৮২/৪৪৪৪ অনৌবা সী:এস: দাগকী নং ৫০৮০/৮১৪৫ এরিয়া ১.২৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি মৃ: মশাগী ইমুং-মনুং মশুশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Moirang

HL-P/1596/9

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 95/AS&SO 02/04/2025

1) Thounaojam (O) Malika Devi W/o (L) Khomei Singh of Thounaojam Mayai Leikai (Acre .1115)
2) Thounaojam (O) Memcha Devi W/o Dhananjoy Singh of Thounaojam Mayai Leikai (Acre .0635)

-Vs-

1) Thounaojam Khomei Singh S/o (L) Thanijao Singh of -do-
2) -do- Dhananjoy Singh S/o (L) -do- of -do-

[illegible] / NOTICE

02/4/2025

Under Section 46(3) of MLR & LR Act., 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৭২/থৌনাওজম পাট্টা নং ৯২/১৩০ দাগ ১৫৭/২৭৭ একর .৩৫ ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার (১) থৌনাওজম খোমৈ সিংহ পীতা থানিজাও সিংহ সাং থৌনাওজম, নং. (২) ঐ ধনঞ্জোয় সিংহ পীতা থানিলজাও সিংহ সাং তথা অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,
Kakching, Manipur

HL-P/1588/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA

Ref :- Mutation Case No. 17/SDC/ICH of 2025

1. Thounaojam Surjit Singh S/o Thounaojam Surjamani Singh of Uchiwa Wangma Awang Leikai.
2. Thounaojam Surjamani Singh S/o Thounaojam Khomdon Singh of Uchiwa Wangma Awang Leikai.
3. Thounaojam Meiraba Singh S/o Thounaojam Joy Singh of Uchiwa Wangma.

-Vrs-

(Late) Thounaojam Khomdon Singh S/o Chaomacha Singh of Uchiwa.

[illegible] / NOTICE

Irong Chesaba, the 4th April, 2025

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি অরিবা পাট্টা নং. ৮৫, অনৌবা পাট্টা নং. ২২৮, দখল তৌরিবা দাগকী নং. ১১৩০, এরিয়া .২৭৬৪ হেক্টর ইঙ্খোল, রেভেন্যু ভিলেজ নং. ৩-উচিৱাগী কো-পাট্টাদার নং. ১ (অমা) অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মশাগী ফংফম থোকপা শরুক্তগী এপ্লিকান্ট ১, ২ অমসুং ৩দা এরিয়া .০৬২৭ হেক্টরশিং অসি পাট্টা নামা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/ICH গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারকপগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/ICH গী কোর্টতা লাক্তুনা অইবা চেনা য়েৎপীরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি তুংদা লাকপা য়েৎলরবা খূদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবীগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Irong Chesaba

HL-P/1585/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case 115/SDC/BPR-2025

1. Kumam Akendro Singh S/o (L) K. Ibopishak Singh of Bishnupur Awang Leikai Ward No. 1
2. Kumam Akash Singh S/o K. Akendro Singh of Bishnupur Awang Leikai Ward No. 1
3. Kumam Aanand Singh S/o K. Akendro Singh of Bishnupur Awang Leikai Ward No. 1 - Petitioners

-Vrs-

Late Co-Pattadar No. 1 Kumam Ibopishak Singh S/o (L) Amuba Singh of Bishnupur Awang. - Opposite Party

[illegible] / NOTICE

Bishnupur, the 08th April, 2025

Under Section 43(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৭-বিষ্ণুপুর অৱাংদা লৈবা পাট্টা নং ১৫৩ (অরিবা) ৫৮ (অনৌবা) C.S. Dag No. ২১৮৮গী ০.১৬৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং. ১ Kumam Ibopishak Singh S/o (L) Amuba Singh of Bishnupur Awang অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পঞ্জরিবা Petitioner No.1, 2 & 3 গী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা/কনাগুম্বী মীওইশিংনা অপতি/য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি/য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Bishnupur

HL-P/1597/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No. 138/SDC/M dt. 8/4/2025

1. Kumam Ongbi Memtonbi Devi W/o (L) K. Ningthou Singh of Moirang Kumam Leikai.
2. Leishemba Kumam S/o Late Tuleshwor Singh of -do-
3. Panphalenpi Kumam D/o Late K. Tuleshwor Singh of -do-

-Vs-

Late Kumam Ingocha Singh S/o (L) Ningthou of Moirang Kumam Leikai.

[illegible] / NOTICE

Moirang, the 8th April, 2025

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫২-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৯৬/১৬৭৯ অনৌবা সী:এস: দাগকী নং ১০২৬/১৩৪৪ এরিয়া ০.০৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি মৃ: মশাগী ইমুং-মনুং, মমা অমসুং মশুশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Moirang

HL-P/1596/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 18/SDC/I-CH 8/4/2025

1) Leishangthem Lokendro Singh S/o (L) L. Irabot Singh of Leishangthem Khong Manung.
2) Leishangthem Bishwajit Singh S/o -do-
3) Leishangthem Ratanjit Singh S/o -do- -App.

-Vs-

1) (Late) Leishangthem Irabot Singh S/o (L) Bidhu Singh of Leishangthem Khong Manung. -OP

[illegible] / NOTICE

Dated : 8/4/2025

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং- ৪-লৈশাংথেম লিলোং তাহসিলগী অরিবা পাট্টা নং ২২০ অনৌবা পাট্টা নং ৫১৮ দখল তৌরিবা দাগ নং ৫৮৮গী .২২২৮ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারগী মচা-মশুশিংগী মিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না Sub-Deputy Collector, Irong Chesaba গী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ তরেৎ (৭)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা Sub-Deputy Collector, Irong Chesaba গী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কেস মখা চথরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Irong Chesaba

HL-P/1593/9

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST HIYANGTHANG

Ref :- Mut. Case No. 112/SDC/IW(H) of 2025

Namoijam Medhamani Devi W/o (L) Sinam Damu Singh of Mongshangei School Leirak.

-Vs-

Sinam Jugollo Singh S/o (L) S. Mohon Singh of Mongshangei School Leirak.

[illegible] / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 8/4/2025

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 77-Mongshangei পাট্টা নং. ... (অরিবা) 306/1108 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং. ... (অরিবা) 1135 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.31011 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা পাট্টাদারগী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজারি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 15/4/2025 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/1584/9

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, MANIPUR

Ref: Mut. Case No. 304/AS&SO-X Dt. 7/4/2025

Phijam Rajen Singh S/o Phijam Jatra Singh of Luwangsangbam Makha Leikai. - Petitioner

-Vs-

Late Phijam Gulamjat Singh S/o Achou Singh of Luwangsangbam. -Opp

[illegible] / NOTICE

Imphal, 8/4/2025

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১-লুৱাংশংবম পাট্টা নম্বর ৯০,১৯০/অং অরিবা ১৬১/৮০৫ অনৌবা, দাগ নং ১৪০১/১৮০৭, ১৪৪৫/১৮০৮, এরিয়া .৫৯৪ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. ফিজম গুলামজাৎ সিংহ পীং অচৌ সিংহ সাং লুৱাংশংবম মৃ: ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৬/৪/২০২৫ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X,
Manipur

HL-P/1591/9

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 96/AS&SO 02/04/2025

Thounaojam Muhendro Singh S/o Nodia Singh of Langmeidong Bazar.

-Vs-

Yumnam Tombinu Singh S/o Chaoyaima Singh of Langmeidong.

[illegible] / NOTICE

02/4/2025

Under Section 46(3) of MLR & LR Act., 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচিং তহশিল খুল নং ৭১/লাংমৈদোং পাট্টা নং ৯১০/৭৫৬ অনৌবা দাগ নং ৪০২৯ এরিয়া ১.৫৮ একর তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার য়ুম্নাম তোম্বিনু সিংহ পী: চাওয়াইমা সিংহ সাং লাংমৈদোং অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা তাওথবী লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,
Kakching, Manipur

HL-P/1588/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL-EAST

Ref :- Mutation Case No. 254/SDC/SWG of 2025

Parties:- Wairokpam Ranbir Singh S/o Wairokpam Munal Singh of Nongdam Bazar. - Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Toijam Ibetombi Devi D/o Gourachand Singh of Nongdam. - Opposite Parties

[illegible] / NOTICE

Sawombung, the 7th April, 2025

Under Section 46 (3) of M.L.R & L.R Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুন নং: 79-Nongdam পাট্টা নং ... (অরিবা) 85 (অনৌবা) দাগ নং 29 মোট এরিয়া 0.79 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Toijam Ibetombi Devi মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Sawombung, Imphal East

HL-P/1578/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 112/SDC/YPK/2025 Dtd. : 7/4/2025

Parties :- 1) Yumkhaibam Aken Singh S/o (Late) Ibomcha Singh of Nongpok Sekmai.
2) Yumkhaibam Shantikumar Singh S/o (Late) Ibocha Singh of Nongpok Sekmai. - Petitioners

-VS-

(Late) Yumkhaibam Ibomcha @ Ibocha Singh S/o (L) Shakthi Singh of Sekmai Kumbi. - Opp

[illegible] / NOTICE

Date, 8/4/2025

Under Section 46(3) of MLR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১৬-সেকমাই খুন্দ্রী, পাট্টা নং ২৮৯, ৪২৭ অরিবা ৪৫২, ১৪০ অনৌবা দাগ নং ১২৫৭, ১২৫৮, ১২৮৭, ১২৫৯ এরিয়া .২৬১৫, .১৮১৫, .২৭৬৫, .১৫১৫ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার য়ুমখাইবম ইবোমচা @ ইবোচা সিংহ পীং মৃ: শকথি সিংহ সাং সেকমাই খুন্দ্রীদা লৈবীরম্বা অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা applicant No. 1 (One) না P/No. 116/452(N) Dag No. 1287 গী খাদা .1382 hect. গী লম অমসুং Dag অসিগী অরেম্বা .1383 hect. Dag No. 1257, 1258 Area .2615, .1815 অমসুং P/No. 116/140 (New) Dag No. 1259 Area .1515 hect. গী Area অসিনা applicant No. 2 (Two) দা মশা-মশাগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Yairipok

HL-P/1589/9